# টাইপৈদা চৎখিবা লিথুএনিয়ন মিনিষ্টরদা অথিংবা থম্বগীদমক্তা টাইৱাননা চাইনাবু কন্দেম তৌখ্রে

টাইপৈ, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
টাইপৈদা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখিবগীদমক লিথুএনিয়াগী দিপ্যুটি মিনিষ্টর ওফ ট্রান্সপোর্ট অগ্নে বাইস্যুকেভিস্যুটতা অথিংবা কয়া থম্বগীদমক টাইৱাননা থাংজ নুমিত্তা চাইনাবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং অসিগুম্বা খোঙথাং অসি মরম চাদনা হঙ্গোই কিহনবগী থৌওংনি হায়খ্রে।

টাইৱানদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্তুনা বাইস্যুকেভিস্যুটনা চাইনাগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটিবু চাং তাহল্লে হায়না ইরাই নুমিত্তা বৈজিংনা ফোঙদোকখি।

টাইৱানদা কুমজা ১৯৪৯ দগী ইন্দিপেন্দেন্ট গভর্ণমেন্ট অমা লৈরক্লবসু মশানা লৈঙাকচরিবা দিমোক্রেটিক ঈথৎ অসিবু চাইনানা লৈবাক অসিগী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌরিবনি।

টাইৱানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, মদুদি বৈজিংনা ইরাই নুমিত্তা লাউথোরকখিবা অসিনা চাইনানা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কিহন হঙ্গোইহনবগী থৌওং চথে অমদি রুলদা যুম্ফম ওইবা ইন্টরনেসনেল ওর্দরবু থৌওইদে হায়বসি উৎলি।



চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা বাইস্যুকেভিস্যুটকী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসি মরম চাদে। বৈজিংগী থৌওং অসি সোভরেন্ট ষ্টেটশিংগী নোর্মেল একচেঞ্জশিংবু থৌওইদবগী মওংনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চাইনানা বাইস্যুকেভিস্যুটতা অথিংবা কয়া থম্বগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল রোদ ট্রান্সপোর্টকী লমদা লিথুএনিয়াগা মরী লৈনবা সস্পেন্দ তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ্পু ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা লিথুএনিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রান্সপোর্ট এন্দ কম্যুনিকেসন্সনা নুঙনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

টাইৱানগী খোঙচৎ অদু লোইশিন্দ্রিবৈঙে শগোলশেল নুমিত্তা বাইস্যুকেভিস্যুটনা হায়খি, মদুদি মহাক্কী দেলিগেসন অদুনা ইলেক্ট্রিক বসশিং অমসুং গ্রিন ট্রান্সপোর্টেসন টেক্নোলোজিগী লমদা তুংদা কোলাবোরেসন তৌনবা য়ানবগী লম্বী ফাৎননবগীদমক্তা টাইৱানগী ট্রান্সপোর্ট এজেন্সিশিং অমসুং মরু ওইবা ইলেক্ট্রিক বস মেন্যুফেকচররশিংগী রিপ্রজেন্টটিবশিংগা উনখি। টাইপৈদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা বাইস্যুকেভিস্যুটনা হায়খি, মদুদি লিথুএনিয়ানা ঐখোয়দা কো ওপরেসন পীনবা পাম্বা লৈবাকশিংগী মতেং পাঙনবা পাম্মী। মহাক্কী খোঙচৎ অদু থা কয়া চুপ্পা থৌরাং তৌরক্লবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

যুএস হাওস ওফ রিপ্রজেন্টটিবকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা ওগষ্ট ৩ দা টাইপৈদা পুং ১৯ গী খোঙচৎ অমা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা চাইনানা টাইৱানদা শেল থুম অমসুং মিলিটরি অনীমক্তা প্রেসর পীবা হেনগৎলকখিবগী মতাংদা মেদিয়ানা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা বাইস্যুকেভিস্যুটনা মহাক্কী লৈবাক্না হৌখিবা চয়োলদা লাউথোকখিবা জি ৭ কী ষ্টেটমেন্ট অদু শৌগৎলি হায়খি।

জি ৭ কী ষ্টেটমেন্ট অদুনা চাইনাদা মরন্নাইগী ওইবা ৱারেপ্না ফোর্স শীজিন্নদুনা ষ্টেটস কো হোংহন্নবা হোৎনদনবা আপিল তৌখি অমদি টাইৱান ষ্ট্রেটতা মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম মেন্টেইন তৌনবা পুন্নমক্না অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা হোৎনমিন্নবা চঙই হায়খি। বৈজিংনা পেলোসি অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংদসু খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা অথিংবা কয়া থমখ্রবনি।

# সলমান রুসদি লিটরেরি ইভেন্ট অমদা থাংনা থিনখ্রে, ভেন্টিলেটর শীজিন্নরগা লায়কন্নরি

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
ন্যু য়োর্ক ষ্টেটতা পাঙথোকপা লিটরেরি ইভেন্ট অমদা থাংনা থিনখিবা মমিং লৈরবা অইবা সলমান রুসদি শ্বর হোনবা ৱাবদগী হৌজিক ভেন্টিলেটর শীজিন্নরগা লায়কন্নরি অমসুং মহাক ৱা ঙাঙবা ঙমদ্রে হায়না মহাক্কী এজেন্টনা ফোঙদোরক্লি।



ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা রুসদিগী এজেন্ট অন্দ্রু ৱাইলিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি সলমানদা থাংনা এটেক তৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক লৈরিবা পাউ অসি মীয়ামদা নুংঙাইবা ওইরোইদৌরি। মহাক মমিৎ নাম্মা শীজিন্নবা য়ারোইদবগী ফিভমদা লৈরে। মহাক্কী পাম্বোমগী শিংনি নাওরিশিং তৎখ্রে। মহাক্কী লিভরদা হকথেংননা থাংনা থিনখিবা ওইবনা লিভর কা হেন্না শোক্লে হায়না অইবা অসিগী এজেন্টনা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা মীওই চা কয়া তিন্দুনা চৌতুগ্বা ইন্সটিট্যুসনদা পাঙথোকখিবা লিটরেরি ইভেন্ট অদুদা এটেক্কর অদু ষ্টেজতা থুনা চঙশিল্লকখিবনি অমসুং মহাক্না ইন্দিয়াদা পোকখিবা মশাগী চহী ৭৫ শুরবা নোভেলিষ্ট অসিবু থাংনা থিনখি হায়না পুলিস ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইভেন্ট অদুগী ষ্টাফ কয়া অমসুং স্পেকটেটর কয়া সস্পেক্ট অদু তন্না চঙশিন্নখি অমসুং মখোয়না মহাকপু ওভর পৱার তৌখিবগা লোয়ননা পুলিস ওফিসার অমনা মহাকপু ফাখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা নুপা অদু ন্যু জর্সিগী ফ্যের ভিয়্যুদগী হাদি মাটর কৌই। থাংনা থিল্লবা মতুংদা রেস্ক্যু ৱার্করশিং য়ৌরক্তিবৈঙেদা রুসদিবু ভাবক মরক্তা য়াওবা ডাক্তর অমনা ট্রিটমেন্ট পীখি। মতুং তাবদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অইবা অসিবু হেলিকোপ্টর অমদা হোস্পিটাল তন্না পুখি। ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না মহাক মঙকশম অমসুং মবুক্তা থাংনা থিনখি।

পুলিস স্পোক্সমেনগী মতুং ইন্না এটেক্কর অদু অতৈগী মতেং য়াওদনা থবক অদু পাঙথোকখিবা মাল্লি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু লোইদা লৈরিবা অইবশিং অমসুং তাথি তাওইনা তৌবীরবা আর্টিষ্টশিংগী খুদোংথীবা নঙলোইদবা চঙজফম অমা ওইনা খন্ননবগীদমক্তা 'মোর দেন সেল্টর' হায়না মমিং থোনবা সেরিজ অমগী শরুক অমা ওইনা রুসদিনা কলচরেল সেন্টর অমদা লেকচর পীখিবনি। কুমজা ১৯৮৮ দা মহাক্না ইখিবা 'দ সটানিক ভর্সেস' কা মরী লৈননা মহাকপু হাৎননবগীদমক মতমদুগী ইরানগী রিভ্যুল্যুসনরি লুচিংবা অয়াতোলা খোমৈনিনা ফাটৱা অমা ইস্যু তৌখিবনি।

# চাইনাগী সিটি ৭০ রোমদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী হিট এলর্ট ইস্যু তৌখ্রে



হোংকোং, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
চাইনা মেটিওরোলোজিকেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ হেনবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈবা লৈবাক অসিগী সিটি ৭০ রোমদা খ্বাইদগী কনবা চাংগী হিট ৱার্নিংশিং ইস্যু তৌখ্রে।

এদমিমিষ্ট্রেসন অসিনা হায়রি, মদুদি অতোপ্পা চাইনিজ সিটি অমসুং কাউন্টি ৩৯৩ দা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫ অমদি মসিগী মথক্তা শাগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌরি। চাইনাদা শাবগী চাং অসি মালেমগী ওইবা এভরেজ তগী হেন্না য়াঙনা হেনগৎলকখি অমদি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী নৌবা হিটৱেব অসিনা গ্লোবেল ৱার্মিংগী খোঙজেলগী মতাংদা ইনৌ নৌনা নুংনাংবা হেনগৎহনখি।

নুমিৎ হুম্নি নত্ত্রগা হেন্না শাবা নোং চিংগী ফিভমগী মতম্নি হায়না লৌনরিবা খ্বাইদগী নৌবা হিটৱেব অদু থাসিগী ওইনা অনীশুবনি। হৌজিক লৈরিবা নোংমগী ওইবা অশাবগী চাং অসি কুমজা ১৯৬১ গী মতুংদা খ্বাইদগী ৱাংবনি। নোংমাইজিং নুমিত্তা জেজিয়াং অমসুং ফুজিয়ান প্রোভিন্সশিংগী নেসনেল ৱেদর ষ্টেসন ১৩ না লোকেল টেম্পরেচর রেকোর্দশিংদগী হেন্না ৱাংনা রিপোর্ট তৌখি।

নেসনেল মেটিওরোলোজিকেল সেন্টরগী চীফ ফোরকাষ্টর ফু জি য়াওলাননা হায়খি, মদুদি খ্বাইদগী নৌবা হিটৱেব অদু হৌখিবা জুলাই ৫ দগী ১৭ ফাওবা হায়বদি চয়োল অনীরোম চৎখিবা অদুগা মান্নগনি হায়না পারি।

লৈবাক অসিগী অহেনবা লমদমশিংদা টেম্পরেচরগী চাং রেদ এলর্টকী লেভেল ফাওবা হেনগৎলকপা য়াই হায়না পান্নবগা লোয়ননা মসিগী কা হেনবা ৱেদরগী ফিভম অসিনা মখা তানা অহেনবা মীওইশিংদা চৈথেং পীরবা য়াই।

চাইনানা ওপরেট তৌরিবা মরোল মরিগী ৱেদর ৱার্নিং সিষ্টেমদা রেদ এলর্টনা টেম্পরেচরগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ নত্ত্রগা মসিদগী হেনগনি হায়না ৱার্নিং পী অমদি ওরেঞ্জনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫ নত্ত্রগা মসিদগী হেনগনি হায়না ৱার্নিং পী। মসিগী মতুংদা লৈরিবা অতৈ এলর্ট লেভেল অনী অদুদি য়েল্লো অমদি ব্লুনি।

# মালেম্না টালিবানবু রিককনাইজ তৌরোইদবনি: এক্স-অফঘান পোলিটিসিয়ন

কাবুল, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
চহী অমগী মমাঙদা টালিবাননা অফঘানিষ্টানদা লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবা মতমদা হান্নগী অফঘান পোলিটিসিয়ান অমনা মালেম পুম্বদা চেকশিন ৱা খঙহল্লদুনা মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা লৈবাক অদুদা লৈরিবা হৌজিক্কী গভর্ণমেন্ট অদুবু শকখঙদনবা আপিল তৌখিবনি।



অফঘানিষ্টানগী হাবিবা প্রোভিন্সকী হান্নগী গভর্নর সরাবিনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি অফঘানিষ্টান অসি অমুকসু টালিবানগী মখাদা মিলিটেন্ট মিলিসিয়াশিংনা থবক তৌবদা নুংঙাইবা মফম অমা ওইরক্লে।

প্রসিদেন্ট হামিদ কর্জাইগী মখাদা এদুকেসন মিনিষ্টরসু ওইখিবা সরাবিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী থৌদাং লৈফম থোকই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি নোংচুপলোমগী পৱারশিংনা ৱারলোদশিং অমসুং করপটেদ ওইরবা ওফিসলশিংবু মতেং পাঙদুনা অফঘানিষ্টানদা পৱার পায়বা ঙমহনখি। মমাঙগী অফঘান গভর্ণমেন্ট অমদি আর্মিনা তুখিবগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমদি অফঘান এদমিনিষ্ট্রেসন অদুগী রেঙ্কশিংদা করপসনগী চাং কা হেন্না ৱাংখিবননি হায়না এক্সপার্ট কয়ানা থাজরি।

নোংচুপলোমগী ট্রুপশিংনা মায়থীবা পীখিবা মতুং চহী ২০ কান্নরগা কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতা টালিবান অসি অফঘানিষ্টানদা অনীরকশুবা ওইনা রুল্লিং পার্টি ওইরকখি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা টালিবানগা থেংনবদা শিখিবশিং মরু ওইনা অফঘান লান্মীশিংগী মশিং য়াম্না য়ামখি। এক্সপার্ট কয়ানা থাজরিবদি অফঘান ষ্টেট তুখিবদু মীয়াম্না থাজনখিদবা খোঙথাং অমদি ওইদে হায়না লৌই।

লমদম অদুগী ষ্টেটশিংদা মতেং পীবগী মথক্তা কুমজা ২০২০ দা দোহাদা যুএস অমসুং টালিবানগী মরক্তা পুরকখিবা পিচ একোর্দ অদুনা এক্সট্রিমিষ্ট ইস্লামিষ্টশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎহনবদসু মতেং পাঙখি। অদুম ওইনমক অফঘান আর্মিগী ওইনদি দোহাদা চথখিবা পিচ টোল্ক অদু পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা প্রোসেস অমা ওইখি। মতম অদুদা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা ইন্টরনেসনেল ট্রুপশিং ময়েক শেংলবা প্লান্ট অমত্তা য়াওদনা ডি মোবিলাইজ তৌদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা মতম হায়বদু ওইখি।

অসুম্না অফঘানিষ্টান হায়রিবা লৈবাক অসি টেররিষ্টশিংগী খুৎতা অমুক হন্না শিন্নখি হায়না পোলিটিসিয়ান অসিনা ফোঙদোকখি। হান্নগী অফঘান পোলিটিসিয়ান অসিগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টানদা লাক্লিবসি অহোংবনি। মসিনা মালেম পুম্বদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লক্কনি।

# 'নুপুরবু ফাদনবা ৱারেপ লৌখিবসিনা ইন্দিয়ানা ইস্লামবু হঙ্গোই তুক্কৎচৈ হায়বসি উৎলি'

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
প্রোফেট মোহমদ কেসতা বিজেপিগী হান্নগী স্পোক্স পার্সন নুপুর শর্ম্মবু দিটেন তৌহন্দবগী মওঙদা প্রোটেক্সন পীনবা ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা লৌখিবা ৱারেপ্পু ইরাই নুমিত্তা পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর বিলাৱল ভুটো-জর্দারিনা কন্দেম তৌখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



জিও ন্যুজকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না বিজেপিগী হান্নগী স্পোক্স পার্সন অসিবু দিটেন তৌদনবা ৱারেপ লৌখিবা অসিনা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু নত্তনা ইস্লামবুসু হঙ্গোই তুক্কৎচবা মীৎয়েংনা য়েংই হায়বসি উৎলি হায়না পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা ক্লেম তৌখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি বিজেপিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিমশিংবু হঙ্গোই তুক্কৎচনা য়েংবগী থৌওংশিং অমদি এক্সট্রিমিজমবু পুক্লিং থৌগৎলি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ঐখোয়না ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টতা ইথিল পীবা ঙমদবসু মসিগী ইস্যু অসি ঐখোয়না ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কো ওপরেসন (ওআইসি) অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ুএন) য়াওনা ইন্টরনেসনেল লেভেলদা পুথোক্তুনা এৱার্নেস হেনগৎহনবা মথৌ তাই।

পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী মীয়াম্না লৈবাক অসিগী অশেংবা ইমেজ অদু মসিগী এক্সনশিংগী খুত্থাংদা য়েংবা হৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা প্রোফেট মোহমদকা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবা ৱারোল খরগা মরী লৈননা সস্পেন্দ তৌখ্রবা বিজেপিগী হান্নগী স্পোক্সপার্সন নুপুর শর্ম্মগী মায়োক্তা ফাইল তৌখিবা এফআইআর পুম্নমক দিল্লি পুলিসতা ট্রান্সফর তৌখিবনি।

ꯑꯦꯗꯍꯣꯛ ꯀꯝꯃꯤꯇꯤ ꯁꯦꯝꯂꯦ/ 'এদহোক কম্মিটি শেম্লে'
মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসনগী অনৌবা থৌ পুনবা ইলেক্সন পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা এসোসিএসন অসিগী থবক থৌরম খুদিংমক পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক এদহোক কম্মিটি অমা শেম্লে। এদহোক কম্মিটি অসি শেম্লবা লোয়ননা মখাগী মীওইশিং অসিবু কম্মিটি অসিগী থৌ পুবা ওইনা খল্লে।
1) RK. Sanahanbi Devi – Chairperson
2) Th. Kunjarani – Vice-Chairperson
3) Athokpam Bijoykumar – Convenor
4) Soibam Nabakumar Meetei – Co-Convenor নি।
লোয়ননা মখোয়বু মতেং পাঙনবগীদমক্তা মেম্বর ৭ (তরেৎ) অমসু খনখি।
Dt. 13/8/2022
Sd/- RK. Sanahanbi
Chairperson (MMBA)
HL-P/3676/14

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING : IMPHAL WEST
Ref.:- Mut case no. 178/SDC/IW/LC of 2022
1. Konjengbam John Singh S/o K. Ibochou Singh of Singjamei Makha Naorem Leikai.
2. Konjengbam James S/o -do- of -do- -Petitioners
-Vs-
Naorem (O) Tharo Devi W/o Tomba Singh of Naorem Leikai.
- Opposite Party
ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Lilong Chajing, the 11th August, 2022
Under Section 46(3) of M.L.R. and L.R. Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৪-নাওরেম লৈকাইগী অনৌবা পাট্টা নং ৪১৪, দাগ নং ৫৬৪, এরিয়া ০.১০৫৫২ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রবা মরম্না মহাক্কী মমিংদা লৈরিবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পল্লিবা পিটিসনরশিং (লৈখিদ্রবীগী মচানুপীনা পোকপা মশুশিং)গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগী মরীদা আপত্তি তৌনিংবা মীওইশিংনা "নোটিস" অসিনা পাউচে অসিদা হাপ্পা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্তা কোর্ট অসিদা আপত্তি তৌরদ্রগদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই, হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong Chajing, Imphal West
HL-P/3675/14

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY
1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY
B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East
7005683347 9856167106
THOUBAL BRANCH ADDRESS :
Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622
HL-B/7695/19/6-16/8 Alt

# জেলেন্সকিনা মার্সিএল লো শাংদোকহন্নবা পার্লিয়ামেন্টদা প্রপোজ তৌখ্রে

কিভ, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
লানগী চৈথেং নঙলবা যুক্রেনদা মখা তানা নুমিৎ ৯০ নি মার্সিএল লো অমদি জেনরেল মোবিলাইজেসনগী থবক শাংদোক্ননবগী ৱাফম লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা পার্লিয়ামেন্টদা প্রপোজ তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মার্সিএল লো অমসুং জেনরেল মোবিলাইজেসন শাংদোকহন্নবগী তোঙান তোঙানবা দ্রাফট অনী খন্ননবগীদমক পার্লিয়ামেন্টদা সবমিট তৌখ্রে। ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়াগা লান হৌখ্রবা মতুং যুক্রেনগী পার্লিয়ামেন্টনা মার্সিএল লো ইম্পোজ তৌখি অমসুং মদুগী মতুংদা মদুবু অহুম্লক এক্সটেন্দ তৌখি। যুক্রেনদা ফেব্রুৱারী ২৪ দা মীয়াম্বু মোবিলাইজ তৌবগী অয়াবা পীখি। মদুসু মে থাদা মখা তানা থা অহুম শাংদোকহনখি। মার্সিএল লো অমসুং জেনরেল মোবিলাইজেসনগী লোশিং ওগষ্ট ২৩ দা এক্সপয়ার্দ ওইগদবনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE FOR WELFARE OF OBC & SC
1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T. Line, Imphal
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Imphal, the 9th August, 2022

No. A/4/NSP/OBC&SC-2022/1016: In continuation of this office Notification of even No. dated 3rd August, 2022, it is, hereby, informed to all concerned that online registration of Scholarship Schemes viz., OBC (Pre-Matric & Post-Matric) and EBC (Pre-Matric & Post-Matric) based Scholarship Schemes for students belonging to the notified OBC and EBC Community for the year 2022-23 have been opened on National Scholarship Portal (NSP) as per the timelines and conditions laid hereunder:

| Scholarship Schemes | Online Registration Closing Date | Defective Verification | Last Date for Online Verification at Institute Level (L1) |
|---|---|---|---|
| i) Centrally Sponsored Post-Matric Scholarship for OBC students, Manipur | 31st October, 2022 | 15th November, 2022 | 15th November, 2022 |
| ii) Dr Ambedkar Centrally Sponsored Post-Matric Scholarship for EBC students, Manipur | | | |
| iii) Centrally Sponsored Pre-Matric Scholarship for OBC students, Manipur | 30th September, 2022 | 16th October, 2022 | 16th October, 2022 |

2. Only online applications under the Schemes will be accepted and no request for offline applications will be entertained. Website for filling up of Online Scholarship Application is www.scholarships.gov.in. A link to this site is also available in the website of this Directorate (www.manipurobcsc.gov.in). Alternatively, application may also be submitted through NSP App by downloading the same from Google Play Store.

4. The following conditions/points are to be noted while registering for OBC, SC & EBC Scholarships, 2022-23 at NSP:

i. As per revised scheme guidelines, Pre-Matric Scholarship for OBC & EBC will be awarded to those students studying in class IX and X on a full-time basis in Government School only. Detailed Guidelines of Scholarship Schemes and Standard Operation are available on NSP Homepage at www.scholarships.gov.in.

ii. Fresh applicant(s) have to register at NSP to get Login Credentials and fill-up the entry form by entering complete details to get the Registration ID. All Renewal applicant(s), who have received SMS for renewal option and continuing the same course, may register using their existing Scholarship Application ID.

iii. Aadhaar Number/Aadhar Enrolment ID Slip/Bank Passbook with photograph are required as Identification documents. Aadhaar demographic authentication based on applicants details i.e. name, gender, and year of birth as given in Aadhaar has been introduced on NSP Portal.

iv. All verifying authorities (INO/SNO) can mark an application fake if he/she is satisfied that the applicant is not a Bonafide student. In other circumstances, in case of non-fulfillment of eligibility criteria or inconsistency of records, the verifying authority may either reject the application or mark it defective and give the applicant another opportunity to correct their records.

v. Aadhar based demographic authentication of Institute/State Nodal Officer is required. All stakeholders are requested to update the Aadhaar number of both the INO (along with mobile number linked with the Aadhaar) and the Head of the Institute on NSP. If the INO is unable to do so, then kindly submit the **Annexed Form** to our Directorate at the earliest so that their students can apply and cause verifications of their applications on the Portal without any delay.

vi. Academic attendance should be minimum 75%. The INOs shall ensure that students below 75% attendance are not verified.

vii. For EBC Scholarship scheme, students studying in Government School(s) / College(s) / Institute(s) only are eligible.

viii. **Documents to be uploaded:**
a) Student photograph.
b) Caste Certificate: OBC, EBC & SC certificate of the applicant issued by the Competent Authorities/Executive Magistrates.
c) Income Certificate: 2.5 lakh per annum for OBC (Pre-Matric & Post-Matric), SC (Pre-Matric & Post-Matric) and EBC (Pre-Matric & Post- Matric).
d) Bonafide student of Institution Certificate (Certificate form available on NSP)
e) Date of Birth Certificate: Upload class X certificate for Post-Matric and for Pre-Matric, Date of Birth certificate issued by the Competent Authorities/Executive Magistrates
f) Bank Passbook.
g) Self-Attested Certificate of previous Academic Marksheet / Admit Card.
h) Admission Receipt
i) Gap year Certificate: Students having a study break of less than 3 (three) years should upload an Affidavit/Break Certificate stating the reason of break in his/her academic studies from the competent authority. Students having a study break of more than 3 (three) year will not be eligible for this Scholarship under any circumstances.

ix. Further details may be obtained from (1) Santosh Kumar Chongtham, Senior Finance Officer/OBC & SC (State Nodal Officer, OBC & SC Scholarship), (2) M. Dinesh Singh, Office Assistant/MA & (3) Maibam Devika, Office Assistant/OBC & SC on the contact numbers 9774329972/9774496772 during **office hours only** or at the enquiring mail: **mobc-scholarships@googlegroups.com.**

Sd/- Ng. Bhogendra Meitei
Director (OBC & SC), Manipur
HL-B/7797/13, 14